# মণিপুরগী নুপা অমদি নুপী বোদি বিল্ডরশিং খনখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ১৫ (এস এন এস)ঃ

থা অসিগী ২৮দগী ৩০ ফাওবা মহারাষ্ট্রাগী পুনেদা ইন্দিয়ন বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস ফেদরেসননা শীন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ৬৬শুবা সেনিয়র নেসনেল ইন্দিয়া অমসুং ৬৩শুবা জুনিয়র মিষ্টর ইন্দিয়া, মাষ্টর এন্দ ফিজিকেল চেলেঞ্জ বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী নুপা অমদি নুপী বোদিবিল্ডরশিং খনখ্রে।

ইন্দিয়ান বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস ফেদরেসন মণিপুর চেপ্তরনা শীন্দুনা ঙসি নিঙোল্স্বম ভিলেজ রোদতা লৈবা ইদু ভিলেজতা পাঙথোকখিবা ত্রাইয়েল সেলেক্সন অমগী খুৎথাংদগী খনখ্রবা বোদি বিল্ডরশিং অদুদি সেনিয়র বোদি বিল্ডিংগী কেজি ৭০দা য়ু ফিটনেসকী এল নেত্রজিৎ অমসুং কেজি ৮৫দা এল পি পি সি জিমগী এল ভিবেকর অমদি সেনিয়র ক্লাসিক বোদি বিল্ডিংগী কেজি ৭০গী সেন্তিমিটর ১৬৫.১দা য়ু ফিটনেসকী এল নেত্রজিৎ সিংহনি।

সেনিয়র মেন’স ফিজিক্কী সেন্তিমিটর ১৭০.১৮তা পর্ফেক্ট ফিটনেস সেন্তরগী পিঐচ সন্ধিভ সিংহ অমসুং এল পি পি সি জিমগী এল অভিসেক্কা লোয়ননা সেন্তিমিটর ১৭০ মখাদা ৱার্ল্ড জিমগী দব্লিউ অয়াংবা মৈতৈনি।

সেনিয়র ৱুমেন’স ফিজিক্কী কেজি ৫৫কী সেন্তিমিটর ১৫৮গী কেটাগোরিদা এল পি পি সি জিমগী এল সোনিয়া, জুনিয়র বোদি বিল্ডিংগী কেজি ৭০দা আইকন জিমগী ঐচ রোশানন্দ, জুনিয়র মেন’স ফিজিক্কী সেন্তিমিটর ১৭০.১৮তা এল পি পি সি জিমগী ও লেনিন অমসুং সেন্তিমিটর ১৭৭তা জিম অসিগী এস তোমথিনঙানবনি।

চহী ৫০ মথক্কী মাষ্টর বোদি বিল্ডিংদা পমখাল জিমগী পি রোমেস মীতৈ অমসুং আইকন জিমগী এ মোমোতোম্বানি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা মণিপুর বোদি বিল্ডিং টিমগী ওফিসিয়েল ওইনা হাপখ্রবশিং অদুদি টিম মেনেজরদা ই ইনাও, টিম কোচতা এ কে মণিতোন অমসুং ওফিসিয়েল ওইনা থোইদিংজম জোননি।

তোঙান তোঙানবা ৱেঠ কেটাগোরি ১০দা অথোই অহেন তান্নগদৌরিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী সেনিয়র মেন’স বোদি বিল্ডিং, ওপন কেটাগোরি অমদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱুমেন’স বোদি বিল্ডিং, তোঙান তোঙানবা হাইট কেটাগোরি ৪দা পাঙথোক্কদৌরিবা মেন’স ক্লাসিক অমসুং মেন’স ফিজিক্তা মকোক মথং তরুক ফাওবা তারবশিংদা শেলগী মনা ওইনা লুপা লিশিং ২৫, লুপা লিশিং ২০, লিশিং ১৫, লিশিং ১০, লিশিং ৭ অমসুং লিশিং ৫থল্লি।

# ফিট ইন্দিয়া ষ্টেট লেভেল সাইক্লোথোন পাঙথোকখ্রে

থৌবাল, মার্চ ১৫ (এস এন এস)ঃ

স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া নোর্ঠ ইষ্ট রিজন সেন্তর ইম্ফালনা শীন্দুনা ঙসি ২শুবা ফিট ইন্দয়া ষ্টেট লেভেল সাইক্লোথোন ২০২৬ পাঙথোকখ্রে।

ফিট ইন্দিয়া মুভমেন্টগী মনুং চন্না খেলো ইন্দিয়াদা হকচাং ফনা লৈনবা সাইক্লিং কলচর অমদি কম্মুনিটি পার্টিসিপেসন প্রমোট তৌনবা পান্দমদা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া নোর্ঠ ইষ্ট রিজন সেন্তর ইম্ফালনা পাঙথোকপা সাইক্লোথোন অদু মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদগী হৌরগা খোংজোম ৱার মেমোরিয়েল কমপ্লেক্সতা লমথুংফম ওইখি।

সাইক্লোন অদুগা মরী লৈন্না পাঙথোকপা থৌরমদা ভিক্টোরিয়েল য়েঙ্খোম (আই পি এস)না অথোইবা মীথুংলেন, সাইক্লিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী এঠলেটি মেম্বর কম্মীসন এলাংবম ভুবানেশ্বরনা থৌরম মপু, দ্রোণচ্যা এৱার্দি লৈশাংথেম ইমোচা, পদ্মশ্রী এৱার্দি নামৈরাকপম কুঞ্জারানি দেবী, ৮৬ শুবা বট্টালিয়ন সি আর পি এফকী সেকেন্দ ইনচার্জ দব্লিউ নন্দনি দেবী, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরী গুরুময়ুম দয়ানন্দ শর্ম্মা ফিট ইন্দিয়াগী এম্বাসেদর এক্ট্রেষ্ট মেধা হাওবিজম, এক্টর এস পি রোনিনি



ময়েংবম অমদি দি ৱাই এস ও থৌবাল দেবেন মোইরাংথেমনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

লোয়শিনবগী থৌরমদা তোঙান তোঙানবা কেটাগোরিশিংদা মকোক মথং তাখ্রবা সাইক্লিষ্টশিংদা মনা পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি। অহানবা মনাদা শেলগী ওইনা লুপা লিশিং ২৫, অনীশুবা তাখ্রবদা লুপা লিশিং ২০ অমসুং অহুমশুবদা লুপা লিশিং ১৫গা লোয়ননা মেদল অমসুং সার্টিফিকেটশিং খুৎশিন্নখি।

মেন’স ওপন কেটাগোরিদা খোঙাকপম গুনাচন্দ মৈতৈনা অহানবা, লৈশাংথেম বিশ্বর্জিৎ সিংহনা অনীশুবা অমদি নোংমাইথেম ধনঞ্জয়না অহুমশুবা তাখি।

ৱুমেন’স ওপন কেটাগোরিদা লৈশাংথেম নাতালি চনুনা অহানবা, নাওরেম দীনা দেবীনা অনীশুবা অমসুং শোরেনশাংবম তনুনা অহুমশুবা তাখি।

চহী ৪০ মথক্কী কেটাগোরিদা চিংশুবম সঙ্গাইনা অহানবা, এমদি ইমতিয়াজ রাহমননা অনীশুবা অমসুং অহন্থেম দরা সিংহনা অহুমশুবা তাখি। লোয়ননা নুপীগী কেটাগোরিদা চিংশুবম সঙ্গাইনা অহানবা, নিংথৌজম নুতন দেবীনা অনীশুবা অমসুং হৈক্রুজম বিজোলাতানা অহুমশুবা তাখি।

কেটেগোরি খুদিংমক্কী মীওই ১০ ।১০দা কন্সোলেসন প্রাইজ পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা পুক্নিং থৌগৎখি।

অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা ভিক্টোরিয়া য়েঙ্খোমনা হায়, লৈবাক অসিদা মফম খুদিংমক্তা লৈরিবা অহল-নহা খুদিংমক মশা মউ ফনা লৈরবা খক্তনা অফবা মশক থোকপা মতিং লৈবা সমাজ অমা শেম্বা ঙমগনি। মরম অসিনা ঐখোয় খুদিংমক হকচাং ফনা লৈশি হায়বা পন্দামদা ঙসিগী সাইক্লোথোন অসি পাঙথোকপনি। ফিট ইন্দিয়া অমা ওইনবা ঐখোয় খুদিংমক হকচাং ফনা লৈমিন্নশি অমদি মতিং লৈবা লৈবাক অমা শেম্মিনশি হায়না ফোঙদোকখি।

## চহীগী জেনরেল বোদি মীফম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মার্চ ১৫ (এস এন এস)ঃ

থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট এমেচর বোক্সিং এসোসিয়েসনগী ২৮শুবা চহীগী জেনরেল বোদি মীফম থা অসিগী ২২গী অয়ুক পুং ১০ তাবদা লমদিংদা লৈবা ই ই ও ওফিস কেম্পসতা পাঙথোক্লগনি হায়না এসোসিয়েসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা চহীগী জেনরেল বোদি মীফম অসিদা এসোসিয়েসন অসিগী কাউন্সিল মেম্বরশিংনা মতম চানা লাক্তুনা শরুক য়াবিয়ু অমদি মেম্বরশিংনা ইশা ইশাগী পীফম থোকপা চহীগী মেম্বরসিপ ফী অমদি মরি লৈনবা ফীশিং থিদোকপিদুনা মীফম অসিবু মপুং ফাহনবিয়ু।

এসোসিয়েসন অসিগী কাউন্সিল মেম্বরশিংগী মরক্তা চহী ৩ থংন থংননা মেম্বরসিপ ফী পীখৎলক্তবশিং এসোসিয়েসন অসিদগী লৌথোক্লগনি হায়না চেরোল অদুনা অরোয়বদা খঙহল্লক্লি।

# গোল্ড ৫ য়াওনা পুন্না মেদল ১৩ লৌদুনা ওভরওল টিম রন্নরস অপ তাখ্রবা এসকে টিভিগী ষ্টাফশিং ওকখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ১৫ (এস এন এস)ঃ

থা অসিগী ৩দগী ৭ ফাওবা ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট মণিপুরনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ১৫শুবা জর্নেলিষ্ট স্পোর্টস মীট ২০২৬তা গোল্ড ৫, সিলভর ৩ অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল ৫ য়াওনা পুন্না মেদল ১৩ লৌবা ঙমখ্রবা এসকে টি ভিগী ষ্টাফশিং ঙসি এসকে টিভিগী মেনেজমেন্টনা শীন্দুনা সঙাইপ্রৌ মমাঙ লৈকাইদা লৈবা গীভিং ট্রিদা অচম্বা থৌরমগা লোয়ননা ওকখ্রে।

ওকপগী থৌরম অদুদা এসকে টি ভিগী মেনেজিং ডাইরেক্টর দেভিদ সোইবম, সি ই ও অরুন সোইবম, ফাউন্দর অমসু ওইরিবা ইদিটর ইন চীফ ফিলিপ নাওরোইবম, ইদিটর জয়ালক্সমি থাংজম অমসুং রাজ নোংথোম্বম য়াওনা এসকে টিভিগী ষ্টাফশিংনা শরুক য়াখি।

ওকপগী থৌরম অদুদা এসকে টিভিগী ফাউন্দর অমসুং ইদিটর ইন চীফ ফিলিপ নাওরোইবমনা ফোঙদোকখিবদা স্পোর্টস মীট অদুদা এসকে টিভিগী ষ্টাফশিংনা উৎখিবা টিম স্প্রিট, কৎথোকপা অমসুং স্পোর্টসমেনসিপনচিংবা কয়া অদু থাগৎতবা ঙমদে। স্পোর্টস মীট অদু মেদল লৌনবা খক্কী নত্তনা অমত্তা ওইবা অমদি থকশি খাসিনচিংবা কয়া শাগৎপদসু অচৌবা মতেং অমা ওইরিবনি।

২০১১দা মহাক্না ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরী ওইনা থৌ পুরিঙৈ মতমদা জর্নেলিষ্ট স্পোর্টস মীট অসি পাঙথোকপা হৌখিবনি। ষ্টেট অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা মেদিয়া ফার্মগী মীওইশিং অমগা অমগা শকখঙ মায়খঙনবা অমদি য়াওশঙ কুম্মৈগী মনুংদা অরেম্বদা মতম মাঙহন্দনা অমদি ময়াই কাবা চীঙ্গাক্তগী লাপ্না লৈনবগী পান্দমদা হৌদোকখিবনি।

হন্দক পাঙথোকখিবা জর্নেলিষ্ট স্পোর্টস মীট অদুদা এসকে টিভিগীদমক অঙম্বা মতেং পাংলকখিবা পুন্নমকপুসু মহাক্না থাগৎপা অমদি তৌবিমল খঙবা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈন্না এসকে টিভিগী ইদিটর রাজ নোংথোম্বমনা স্পোর্টস মীট অদুদা এসকে টিভিগী ষ্টাফশিংনা কৎথোকপগা লোয়ননা শরুক য়াখিবা অদুবু থাগৎপা ফোঙদোকখি। মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ঐখোয়গী প্রোফেসন অমসুং শান্ন-খোৎনবদা শরুক য়াবা হায়বসিগী খল কায়হন্দনা থম্বা অসি অরায়বদি নত্তে। অদুমকপু এসকে টিভগী ষ্টাফশিংনা কৎথোকপা অমগা লোয়ননা স্পোর্টস মীট অদুদা শরুক য়াদুনা মায় পাক্লকখিবা অসিমক পুক্নিং থৌগৎনিঙাইনি হায়খি।

# ত্রিপল জম্পর অব্দুলা অবুবেকরনা গোল্ড লৌখ্রে



বেঙ্গলুরু, মার্চ ১৫ (এজেন্সি)ঃ

বেঙ্গলুরুরদা লৈবা অঞ্জু বোবি জোর্জ ফাউন্দেসন কেম্পসতা চথরিবা ৫শুবা ইন্দিয়ান ওপন জম্পস কম্পিটিসনগী নুপাগী ত্রিপল জম্পতা এয়র ফোর্সকী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা জম্পর অব্দুলা অবুবেকরনা গোল্ড মেদল লৌখ্রে।

ইন্টরনেসনেল জম্পর ওইরিবা অব্দুলা অবুবেকর অমসুং প্রভিন চিত্রভেলনা অকনবা মওংদা গোল্ড মেদলগী লম্বা তৌনখিবা ইভেন্ট অসিদা অবু বেকরনা মহাক্কী অহুমশুবা এটেম্পতা মিটর ১৬.৮৩ চোংদুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি।

মহাক্না অহানবা এটেম্পতা মিটর ১৬.০৫ অমসুং অনীশুবা এটেম্পতা মিটর ১৬.৫৭ চোংলম্লবা মতুং অহুমশুবা এটেম্পতা শীংথানিংঙাই ওইনা মিটর ১৬.৮৩ চোংদুনা গোল্ড মেদল লৌখিবনি। মহাক্না মহাক্কী লেমহৌরিবা অরোয়বা জম্প অহুম এটেম্প তৌখিদে।

নাকল অমরোমদা সিলভর মেদল ফংখ্রবা প্রভিন চিত্রভেলনা সিজন অসিগী মহাক্কী অহানবা কম্পিটিসন অসিদা মিটর ১৬.৭৮ চোংবা ঙমখি। ব্রোঞ্জ মেদলনা তামিল নাদুগী গেলি ভেনিষ্টরনা মিটর ১৬.৪৮ চোংদুনা লৌবা ঙমখি।

নুপাগী হায়জম্প ইভেন্টদা ইন্টরনেসনেল জম্পর মহারাষ্ট্রাগী সর্ভেসর্ অনিল কুসারেনা মিটর ২.১৬ চোংদুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। মহাক্কী গোল্ড মেদল অদু অহুমশুবা এটেম্পতা লৌখিবগা লোয়ননা মিটর ২.১৯ চোংনবা এটেম্প তৌবদা মায় পাকপা ঙমহৌখিদে।

ইভেন্ট অসিদা মধ্যা প্রদেশকী অদিতিয়ানা মিটর ২.১৩ চোংদুনা সিলভর মেদল অমসুং ওড়িষাগী স্বাদিনকুমারনা মিটর ২.১৩ চোংদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখি।

নুপাগী পোল ভোল্টদা মধ্যা প্রদেশকী দেভ মিনানা মিটর ৫.২৫ চোংদুনা গোল্ড মেদল লৌখিবগা লোয়ননা মহাক্কী ত্রেন্নিং পার্টনর কুলদিভ কুমারনা মিটর ৫.২৫ চপ মান্না দেভ মিনাগা চোংবা ঙম্লবসু দেভ মিনানা মিটর ৫.২৫ বার অদু অহানবা ওইনা ক্লিয়র তৌবা ঙমখিবনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। তামিল নাদুগী গৌতমনা মিটর ৫.১০ চোংদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

নুপীগী চহী ২০ মখাগী ত্রিপল জম্পতা কর্ণতকাগী নিথিয়ানা মিটর ১২, গুজরাটকী পরমানা মিটর ১১.১৪ চোংদুনা মথংশীৎনা গোল্ড মেদল অমসুং সিলভর মেদল লৌবা ঙমখি। নুপাগী চহী ২০ মখাগী ত্রিপল জম্পতা কেরলাগী ধনুসনা মিটর ১৫.০৮ চোংদুনা গোল্ড, পঞ্জাবকী বিসনোইনা মিটর ১৪.৯৮ চোংদুনা সিলভর অমসুং তামিল নাদুগী কাথিকেনা মিটর ১৪. ৮৫ চোংদুনা ব্রোঞ্জ ফংখি।

# হোক্কী ইন্দিয়ানা সলিমাবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি



হায়দ্রবাদ, মার্চ ১৫ (এজেন্সি)ঃ

হায়দ্রবাদনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা এফ আই ঐচ ৱুমেন’স হোক্কী ৱার্ল্ড কপ ক্বালিফাইয়র ২০২২৬কী ঙরাং ইন্দিয়া অমসুং ইংলেন্দনা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়াগী কেপ্তেন ওইখিবী সলিমা তেতেনা ইন্দিয়ান ৱুমেন’স হোক্কী টিমগীদমক পুন্না মেটচ ১৫০ শুবা ওইনা শান্নখিবদা হোক্কী ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

সলিমা তেতেনা অহানবা ওইনা ইন্দিয়ান ৱুমেন’স টিমদা ২০১৬গী নবেম্বর থাদা মেলবর্নদা ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নখিবা টেষ্ট মেটচতা শরুক য়ারকখিবনি। মতম অদুদগী চহী ২৫ শুরবী ঝরখন্দদা পোকখিবী মিদফিল্ডর অসিনা মখা তানা ইন্দিয়াগী টিমগী মিদফিল্ডদা মরুওইবা থৌদাং অমা লৌদুনা মহাক্কী টিমমেটকীদমক কয়ারক হন্না গোল চন্নবগী খুদোংচাবা পীখিবতা নত্তনা মহাক্কী ওইনা পুন্না গোল ১৬ চনবা ঙমখ্রে।

মহাক্না চহী ১৯ শুরকপদা ওলেম্পিয়ন অমা ওইবা ঙম্লকখিবগা লোয়ননা ২০২০দা পাঙথোকখিবা টোকিও ওলেম্পিক্তা ইন্দিয়ানা মরিশুবা পোজিসন তাখিবদা অচৌবা থৌদাং লৌবা ঙমখি।

মহাক্কী হোৎনবা কনবা অদুনা মরম ওইরগা ২০২২দা মস্কাটতা পাঙথোকখিবা ৱুমেন’স এসিয় কপ্তা রাইজিং প্লেয়র ওফ দি টুর্নামেন্টগী মীংথোল ফংবা ঙমখি। টুর্নামেন্ট অদুদা ইন্দিয়ানা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

২০২২দা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেলঠ গেমসদা ইন্দিয়া অমসুং ন্যুজিলেন্দগা শান্নখিবা অহুমশুবা পোজিসনগী প্লে ওফতা মহাক্না মরুওইবা গোল অমা চন্দুনা পেনাল্টি সুট আউটতা ন্যুজিলেন্দবু মায়থিবা পীদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমহনখি।

২০২২গী দিসেম্বরদা স্পেননা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা এফ আই ঐচ হোক্কী ৱুমেন’স নেসন কপ্তসু ইন্দিয়ানা টাইতল লৌবদা মহাকসু মরুওইবা থৌদাং লৌখি।

*ইন্দিয়ন সুপর লীগ ২০২৫-২৬:*

# ইষ্ট বেঙ্গল অমসুং কেরলা ব্লাষ্টরস এফ সি দ্রো ওইখ্রে



কোলকটা, মার্চ ১৫ (এজেন্সি)ঃ

ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল লীগ অমা ওইরিবা ইন্দিয়ান সুপর লীগকী ঙরাং নুমিদাং শান্নখিবা মেটচ অমদা ইষ্ট বেঙ্গল অমসুং কেরলা ব্লাষ্টরস এফ সি গোল ১-১ চন্নদুনা দ্রো ওইখ্রে।

মেটচ অসিগী ১০শুবা মিনিটতা ইষ্ট বেঙ্গলগী য়ুসেফ ইজেজারিনা গোল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাহল্লবসু কেরলা ব্লাষ্টরসগী মুহামদ অজসলনা ষ্টোপেজ টাইমদা হন্দোক্তুনা মেটচ অসিদা মায়থিরমগদবদগী কনবা ঙমদুনা পোইন্ট অমমম য়েন্নহনখি। মেটচ অসিদা মুহামদ অজসলনা প্লেয়র ওফ দি মেটচ তাখি।

ইষ্ট বেঙ্গল অমসুং কেরলা ব্লাষ্টরসনা কোলকটাদা লৈবা ভিবেকানন্দ য়ুবা ভারত্তি ক্রিরঙ্গনদা শান্নখিবা মেটচ অসিদা ইষ্ট বেঙ্গলগী হেদ কোচ ওস্কারনা ষ্টার্টিং লাইন অপ্তা ক্রেস্পো অমসুং বিষ্ণু পুশিল্লকখিবগা লোয়ননা কেরলা ব্লাষ্টরসগী মায়কৈদগী হেদ কোচ দেভিদনা শোরাইশম সন্দিভ, দানিস ফরুক, ফালৌ নদিয়ে অমসুং ইভিনদাস পুশিল্লক্তুনা শান্নখি। মেটচ অসিগী হৌরকপা শরুক্তা কেরলা ব্লাষ্টরসকী মায়কৈদগী প্রেসর পীদুনা শান্নরবসু ইষ্ট বেঙ্গলনা তপ্না তপ্না মোমেন্তম শাগৎলকপগা লোয়ননা ১০শুবা মিনিটতা য়ুসেভ ইজেজারিনা গোল একাউন্ট হাংদোকপা ঙমখি। গোল অদু এদমন্দনা বোক্স মনুংদা ফংবা বোল অমা ইজেজারিদা খায়দোরকপদা কেরলাগী দোলিংনা ফাওল তৌরুবদগী রেফরিনা পেনাল্টি পীখি। পেনাল্টি অদু ইজেজারিনা অশোয়বা অমত্তা য়াওদনা গোল ওন্থোক্তুনা মহাক্কী টিমবু মাঙজিল থাহনখি।

ইষ্ট বেঙ্গলনা গোল অমা মাঙজিল থাখিবদগী মেটচ অসিগী অয়াম্বা শরুক্তা কেরলা ব্লাষ্টরনা হেন্না হৈশিংনা অমৎতা ওইনা শান্নরকপগা লোয়ননা ইষ্ট বেঙ্গলগী মায়কৈদা লেপ্পা লৈতনা প্রেসর পীখি।

লেমহৌরিবা মিনিট খরা অসিদা ইষ্ট বেঙ্গলগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল চনবা য়াবগী খুদোংচাবা ফংলবসু গোল ওন্থোকপা ঙমখিদবগা লোয়ননা মেটচ অসিগী ষ্টোপেজ টাইম ৯২শুবা মিনিটতা কোনর কিক অমদগী মুহামদ্দ অজসলনা শক্তি লৈরবা হেদিং অমা তৌশিন্দুনা গোলকিপর প্রভসুখন গীলবু মায়থিবা পীরমদুনা মেটচ অসিদা মায়থিরমগদবদগী কনবা ঙম্বতা নত্তনা সিজন অসিগী অহানবা পোইন্ট ফংবা ঙমখি।

নাকল অমরোমদা ঙরাং বেঙ্গলুরুদা লৈবা শ্রী কান্তিরভা ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা য়ুম্বু ওইরিবা বেঙ্গলুরু এফ সি অমসুং মোহন বগান সুপর জাইন্ত গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখ্রে। চথরিবা ইন্দিয়ন সুপর লীগ অসিদা মোহন বগাননা পোইন্ট ১৩ ফংদুনা মকোক থোংবা মফম কনবা ঙম্লি।

# কোচিনা য়ুম্বু ওইদুনা শান্নরগনি

কোলকটা, মার্চ ১৫ (এজেন্সি)ঃ সাউদি অরাবিয়ানা মথং চহীদা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা এ এফ সি এসিয়ন কপকী ফাইনেল রাউন্দগী অরোয়বা ইন্দিয়াগী ক্বালিফাইয়র মেটচ ওইনা থা অসিগী ৩১দা হোং কোং চাইনাগা কোচিদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মনা য়ুম্বু ওইদুনা শান্নরগনি হায়না ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা থাদোরকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা কোচিদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মনা ইন্দিয়াগী সেনিয়র মেন’স ফুটবোল টিমগী য়ুম্বু ওইদুনা শান্নগদৌরিবা অসি চহী ১০গী মতুংদা অহানবনি। মফম অসিমক্তদা ২০১৬দা ইন্দিয়ানা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ক্বালিফাইয়রগী মেটচ ওইনা টুর্কমেনিষ্টানগা শান্নখ্রবনি।

এ এফ সি এসিয়ন কপ অসিদা ইন্দিয়ানা মমাঙদা শান্নখিবা মেটচশিংদা মায়থিবা নঙদুনা ক্বালিফাই ওইবা ঙমহৌখিদ্রবসু মখোয়গী অরোয়বা মেটচ অসিদা মায় পাক্তুনা মিংচৎ কন্ননবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনগদৌরি। এ এফ সি এসিয়ন কপ সাউদি অরাবিয়াগী ক্বালিফাইয়রগী মেটচ ওইনা ইন্দিয়ানা শিলোংদা মমাঙ চহীগী মার্চ থাদা বংলাদেশকা শান্নখিবগা লোয়ননা ওক্টোবর থাদা মারগাওদা সিঙ্গাপোরগা শান্নখ্রবনি। ইন্দিয়ানা শান্নখিবা মেটচ অনীমক অসিদা মায়থিবা নঙদুনা এসিয়ন কপ অসিগীদমক ক্বালিফাই ওইবগী লম্বী ককখ্রবনি।

ইন্দিয়াগী সেনিয়র ৱুমেন’স টিমসু ওষ্ট্রেলিয়াদা পাঙথোক্লীবা এ এফ সি ৱুমেন’স এসিয়ন কপ্তগী মেটচ অমত্তা মায় পাক্তনা মপান থোকখ্রবনি।


# COMBINED TUTORIALS FOR CBSE

Estd. 2007

The Largest CBSE & COHSEM Tutorial Centre In Manipur.
Sagolband Moirang Leirak Machin, Parking Imphal.

ADMISSION OPEN FOR 1st BATCH 2026

**Class 11 & 12 Sc./ Arts** (CBSE/ COHSEM)
1st Batch 12th March, 2026 | 4:30 pm to 7:30 pm
2nd Batch 02th April, 2026 | 4:30 pm to 7:30 pm

**Class 8, 9 & 10 CBSE**
1st Batch 12th March, 2026 | 4:30 pm to 7:30 pm
2nd Batch 02th April, 2026 | 4:30 pm to 7:30 pm

**Subject Offers**
Class IX & X :- English, Science, Social - Science, Maths, MM & Hindi
Class XI & XII Sc. :- Physics, Chemistry, Mathematics Biology & English
Class XI & XII Arts :- Geography, Pol-Science, History, Sociology, Economic & English

Van Service | Hostel Available for Boys & Girls | Please Contact : 9436800790

SL/B(Sush)/20 (1month)


## ক্রোসৱার্দ ৯৮২ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| E | L | K | S | | A | L | E | C | | S | M | E | A | R |
| B | L | A | H | | B | A | S | E | | W | I | L | D | E |
| B | A | R | O | M | E | T | E | R | | I | D | L | E | S |
| E | M | A | N | A | T | E | | E | E | R | I | E | S | T |
| D | A | T | E | D | | | M | A | L | L | | | | |
| | | | | A | P | P | A | L | L | | H | O | L | E |
| S | W | A | P | M | E | E | T | | | | O | K | A | Y |
| T | A | I | L | | P | R | I | S | M | | B | R | I | E |
| A | N | N | E | | | | S | E | A | B | O | A | R | D |
| B | E | T | A | | P | A | S | T | E | L | | | | |
| | | | | F | A | D | E | | | A | M | I | S | S |
| M | A | S | C | A | R | A | | N | O | M | A | D | I | C |
| O | N | E | A | L | | P | R | I | M | E | R | A | T | E |
| S | T | A | R | S | | T | U | N | E | | S | H | I | N |
| T | E | R | S | E | | S | E | E | N | | H | O | N | E |